

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*স্লোভেনিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সট্লর সৌরভ ভর্মা*

*ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী বৃটেনগী শান্নরোই জোহানা কোন্টা*

## কুনমাথোইশুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টতা পুপু পুংদোংবম মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৮ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীল্লগা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২১ না গ্রুপ ৫ থোক্লা খাইদোক্তুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরকপা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘ই’ গী মেটচতা পুপু পুংদোংবম মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা অম্বা চৈরাপ কোর্ট অমদি ভি এফ সি (বি) শিংজমৈনা শান্নগদবা মেটচতা ভি এফ সি (বি) শান্নবা লাক্তবদগী টুর্নামেন্টকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিতা অম্বাদা ব্রাল্ক ওভর পীখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচতা পুপু পুংদোংবমনা এফ ভি দব্লিয়ু এ মপাল কাংজৈবুংবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা লোইবা ফাওবদা এফ ভি দব্লিয়ু এ মপাল কাংজৈবুংদা গোল মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতা পুপু পুংদোংবমনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এফ ভি দব্লিয়ু এ না বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা পুপু পুংদোংবম্বু লাকশিন্দুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ অদু মেটচকী মিনট ২১ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ টি সরতনা গোল একাউন্ট হাং দুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা পুপু পুংদোংবমনা মখোয়গী মপাঙ্গল অদু চপ চানা ফুদোরক্তুনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মেটচ অসি মায়োন অমদা পুরকখি।

পুপুনা হোৎনবা লেপ্তুনা শান্নবগী মহৈ অদু মেটচকী মিনট ৪২ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ রোহেননা গোল হন্দোক্লগা ১–১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওশিল্লকখি।

গোল হন্দোকখ্রবা মতুংদা পুপুনা এফ ভি দব্লিয়ু এবু অতেনবা মিনটশিংনা চপ চানা শীংনরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরকখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর টু এন নাওবীনা মেটচকী মিনট ৪৮ চৎপদা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারকখি।

পুপুগী অহুমশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ সঞ্জয়না মিনট ৫৮ চৎপদা চন্দুনা পুপুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা পুপুগী জর্সি নম্বর ১২ হাকিমদা মেটচ কন্দক্ত তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচতা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ভি এস ও খোংজোম অমদি বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুরনা অহানবা মেটচ শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা কে ভি এফ সি কোন্থৌজম অমদি চীং–তম সাঙাকফমনা শান্নরগনি।

## ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ ফাইনেলদা ব্রাই পি ঐচ য়ু অমদি য়ুঠ ক্লব শান্নরগনি

*ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ*

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন অমদি মোডেল ক্লব চীংঙামখা অনীনা পুন্না শীল্লগা সাপম দেবেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৪ দগী নুপামচাগী টিম ৬ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চীংঙামখাদা লৈবা মোডেল ক্লবকী বাস্কেটবোল কোর্টতা চত্থরকপা সাপম ওংবী সুর্যলাতা দেবী নীংশিং ২৭শুবা ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী নুপামচাগী ফাইনেলদা ব্রাই পি ঐচ য়ু ললাংম্বুং অমদি য়ুঠ ক্লব উরিপোকনা হয়েং নুংথিল পুং ৪ তাবদা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ব্রাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংনা ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দবু পাঞ্জল ৪৮–৩৫ (১০–১০, ১০–৯, ১৫–৯, ১৩–৭) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা ব্রাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কৃষ্ণচার্য্যনা পাঞ্জল ২০, জর্সি নম্বর ৮ তানসন কে ঐচ না পাঞ্জল ১১, জর্সি নম্বর ১০ এম লনচেনবনা পাঞ্জল ১০, জর্সি নম্বর ৭ এল নিকাসনা পাঞ্জল ৪ অমদি জর্সি নম্বর ৯ জেটলি কেনা পাঞ্জল ৩ চনখি।

মায়থিরবা ই এস য়ু পেলেস কম্পাউন্দগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১, দব্লিয়ু রোমেননা পাঞ্জল ১২, জর্সি নম্বর ৭ ন্যুটোননা পাঞ্জল ৬, জর্সি নম্বর ৬ ঐচ কৃসকান্তনা পাঞ্জল ৬, জর্সি নম্বর ১০ এ বরুননা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ৫ কে ঐচ মোচানা পাঞ্জল ৪, জর্সি নম্বর ৯ সোহারাজ অমদি জর্সি নম্বর ১৩ ঐচ খেলসননা পাঞ্জল ২ / ২ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুঠ ক্লব উরিপোকনা বি এস সি ব্রহ্মপুরবু পাঞ্জল ৫২–৪৬ (১২–৬, ১৬–১১, ১৭–১৩, ৭–১৬) তা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ুঠ ক্লব উরিপোককী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ হার্সনা পাঞ্জল ১৩, জর্সি নম্বর ৮ ব্রাই বিপিননা পাঞ্জল ১২, জর্সি নম্বর ১৪ আর কে বিশ্বানাথনা পাঞ্জল ১১, জর্সি নম্বর ৬ এন প্রবিনা পাঞ্জল ৮, জর্সি নম্বর ৪ আর কে দেবরাজনা পাঞ্জল ৬, অমদি জর্সি নম্বর ৫ এন সুসিলনা পাঞ্জল ২ চনখি।

মায়থিরবা বি এস সি ব্রহ্মপুরগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ রোনেলনা পাঞ্জল ২২, জর্সি নম্বর ১১ সি ঐচ আইগোনা পাঞ্জল ৯, জর্সি নম্বর খৃস্কোনা পাঞ্জল ৯, জর্সি নম্বর ১৩ এ থিলিনা পাঞ্জল ৪ অমদি জর্সি নম্বর ৪ ব্রাই চানবনা পাঞ্জল ২ চনখি।

## ওইনাম চার্লি নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ*

ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল কম্মিটি অমদি ই সি অমসুং সিদো শিংজমৈনা পুন্না শিল্লগা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা ঙসিদগী ৫শুবা ওইনাম চার্লি নীংশিং দে এন্দ নাইট ফাইভ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মোর্ডন কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল সোইবম নবচন্দ্র সিংহ, ই সিগী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিরেন সিংহ, সিদোগী প্রসিদেন্ট সাপম অরুনকুমার সিংহ, এস এস য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরী লাইময়ুম রোমেন শর্ম্মা অমদি এস এস য়ুগী হান্নগী শান্নরোই লৈমপোকপম গোদাদরনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা সঙাই এফ সি থাংমৈবন্দ অমদি জোন এফ সি অচানবীগেনা শান্নখিবা মেটচতা সঙাই এফ সি থাংমৈবন্দনা জোন এফ সি অচানবীগেবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সঙাই এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ বোবিচান্দনা মিনট ৭ তা চন্দুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফকী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৩ প্রিতমনা মিনট ৩৪ দা চনখি। মেটচ অসিদা জোনগী বিক্রমনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## টি এফ সি তেকচম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ*

খোংজোম সার্কল ভেটরান ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী তেকচম হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা টিম ২২ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টি এফ সি তেকচম মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টি এফ সি তেকচমনা অপুনবা এফ সি শগোলবন্দবু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি। গোলশিং অদু টি এফ সিগীনা দব্লিয়ু সুরেসনা মিনট ২৫ অদুগা অপুনবা এফ সিগী গোল অদুনা বসন্তনা মিনট ৩৪ চৎপদা চনখি।

গোল মান্নদুনা লৈবদগী ব্রিন্নর দিসাইদ তৌনবা পেনাল্টি কাউনবদা টি এফ সি তেকচমনা গোল ৫ অদুগা অপুনবা এফ সিনা গোল ৩ চনখি।

তেকচমগী পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদু দব্লিয়ু সুরেস, এন লৈশেম্বা, টি ঐচ বোরিস, এম রবিন্দ্র অমদি এল সোমোরজিৎনা চনখি। মায়থিরবা অপুনবা এফ সিগী পেনাল্টিগী গোলশিং অদুনা ইতোম্বা, জোন অমদি হেরোজিৎনা চনখি।

## দব্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম অমদি এ স্কব্রার পাংশোই (এ) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ*

তেন্থা খোংবান ব্রেলফিয়র এসোসিয়েসন (টি কে দব্লিয়ু এ) তেন্থা খোংবানন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দ তেন্থাদা টিম ৩৩ না গ্রুপ ১১ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ই কে দব্লিয়ু এ ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দব্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম অমদি এ স্কব্রার পাংশোই (এ) মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা দব্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোমনা নিসু খুরাইবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ১০ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ মিলননা অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দব্লিয়ু এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্লবা হোৎনরক্তুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ সনাতোম্বনা মিনট ৩৯, ৪১, অমদি ৪২ দা গোল ৩ মখা তানা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ স্কব্রার পাংশোই (এ) না নাসির এফ সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এ স্কব্রার পাংশোইনা নাসির এফ সিবু লাকশিন্না শান্নদুনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনখি।

মেটচকী মিনট ১৭ চৎপদা পাংশোইগী জর্সি নম্বর ৭ নোঙানবনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল একাউন্ট হাংখ্রবা মতুং মিনট ৮ কান্নরগা মিনট ২৫ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ তোন্দোনবনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এ স্কব্রার পাংশোইনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরক্তুনা জর্সি নম্বর ৭ নোঙানবনা মিনট ২৯ চৎপদা টিমগীনা অহুমশুবা অমদি মহাক্কী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

এ স্কব্রার পাংশোইগী মরিশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ রোসননা মিনট ৩১ চৎপদা চন্দুনা ৪–০ দা লৈখি। নাসির এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ সাকিবনা মিনট ৩৯ চৎপদা চনখ্রবসু মেটচ অসি ১–৪ দা মায়থিবা নংখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা লাম এফ সি, চন্দ্রখোং অমদি টাম এফসি সেক্তানা অহানবা মেটচ অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা সেকমাই নিংথৌ কৈরক অমদি সি পি সি লমদিংনা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

### ক্রোসৱার্দ ১৬৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | M | A | M | | M | I | N | C | E | | V | I | E | D |
| D | A | T | A | | A | V | I | A | N | | I | D | E | A |
| A | C | T | I | V | I | S | T | M | A | L | C | O | L | M |
| H | E | A | T | E | D | | | E | M | A | I | L | | |
| O | S | C | A | R | | T | I | R | E | D | | A | P | T |
| | | K | I | S | S | I | N | A | L | E | T | T | E | R |
| | | | | E | T | N | A | | | N | U | R | S | E |
| M | O | L | D | | P | A | R | S | E | | B | Y | T | E |
| A | V | O | I | D | | | A | L | M | S | | | | |
| T | E | N | T | O | A | U | G | U | S | T | U | S | | |
| E | N | G | | I | N | N | E | R | | A | L | I | B | I |
| | | H | A | N | K | S | | | P | I | L | L | A | R |
| W | R | O | N | G | A | N | S | W | E | R | M | A | R | K |
| E | A | R | N | | R | A | T | E | R | | A | G | E | E |
| D | Y | N | E | | A | P | E | E | K | | N | E | R | D |

## মণিপুর পুলিস মায় পাকখ্রে

*লুধিয়ানা, মে ১৮ঃ*

হেরো ইন্দিয়ান ব্রুমেন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা ক্লষ্টর টুগী ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মণিপুর পুলিসনা বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব চত্থরিবা ইন্দিয়ান ব্রুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্লষ্টর টুরগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা মাঙজৌননা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা বেঙ্গালোর য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা ৬–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মণিপুর পুলিসকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ৪ অমুক চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না বেঙ্গলোর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১০–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসিদা মণিপুর পুলিসকী শান্নরোই বলা দেবীনা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। হৈগ্রুজম দয়া দেবীনা পাঞ্জল ২, সলাম রিনারোই অমদি মোইরাংথেম মন্দাকিনি দেবীনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

ক্লষ্টর টুগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা সেথুনা বরোদা ফুটবোল একাদেমীবু ৭–০ দা মায়থিবা পীরমখি।


ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ

**MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES**

Kwakeithel Mayaikobi, Imphal – 795001

**ADMISSION OPEN** for XI Sc. 2019

**Admission Form to be Issued** on Production of Class-X Marksheet/Board Exam Marksheet from **18th May 2019 onwards.**

***Schedule of Entrance Test shall be notified latter on.**

(First 10 toppers of Entrance Test shall be awarded 1 COHSEM prescribed Text Book Set)

SPECIAL FACILITIES FOR MERITORIOUS STUDENTS OF HSLC EXAM 2019

* 75% AND ABOVE - ELIGIBLE FOR DIRECT ADMISSION

* 80% AND ABOVE BUT BELOW 83%

Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching Facilities by MIS lecturers, *Limited Seat.

* 83% AND ABOVE BUT BELOW 85%

*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), *Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month),*Limited Seat.

*85% UPTO ONE MARK BELOW 20th POSITION OF HSLCE 2019

*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), Free School Bus Route Transport, *Monthly Scholarship of Rs.5000/- (per month) or *Free Hostel accommodation in MIS Hostel with Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month), *Limited Seat.

*****SPECIAL FACILITY FOR 87% & ABOVE STUDENTS:** Free Correspondent Course for AAKASH CJP+(Comprehensive Joint Package Plus) for NEET/AIIMS or CJP+ for JEE (Main & Advanced) Course which includes Class room lectures during school hour of COHSEM curriculum based classes and All India Aakash Test Series (AIATS)

For Details Contact School Office

**School Counter Open on Sundays for Admission Procedure.**

Sd/-
Principal, MIS